# স্পোর্টসমেন ওইনা হৌরকপশিংদি মরৈবাক মজাতীবু নুংশিবগা লোয়নননা অচুম্বনা মাঙ থারগা থবক তৌবনি



**লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো**
*চীফ কোচ এন্দ ইন-চার্জ*
*সাই, এস টি সি, গোলঘাট অসাম*

*(ঙরাংগী মখা)*

অমরোমদা, ইমুং-মনুংগী ওইনদি ইচিন-ইনাওসু যাম্মী অদুনা শান্নরোয় অমগী দাইটনি হায়দুনা অহেনবা লফোই, য়েরুম, শঙ্গোম থোইদোক্লা চাবসু ফংলকখিদে। মরক্তুদা ঐবু নুংশিবীদুনা সপোর্ট তৌবীরকখিবা ওজা ময়াংলম্বম কুঞ্জবীহারিনা ঐগীদমক্তনি হায়দুনা নুমিৎ খুদিংগী লুপা ১০/১০ পীবিদুনা করিগুম্বা খরা চানবা হোৎনবীখিবদু ওন্থোক্লা মমল লৈখি। পুন্সিদা ঐনা কাউবসু লৈখিদে। ঐগী শান্নফমসিসু কোইথি থিরক্কনি। অদুগা ঐনা চানবা দাইটসি অদুম লৈবীরক্কনি।

মতমদুদা ঐগী শান্নফমসিসু য়াম্মী। মফম অমত্তংদা শান্নবা পামদবদগী শান্নফমসি কোইথি থীরগা ঐগী সাইকল অমনবসিদা চৎলকখি। টি টি বোর্দ সি কদাই কদাইদা থাবগে হায়না কোইথি থীখিবা মতমসু লৈখি। রাম লাল পাওল স্কুলদা থাবা টি টি বোর্দসিদসু ঐহাক শান্নজরকখি। আর কে সুবোল কৌবা চাইনা নুপী লৌবা ইয়াম্বসি টেবল টেনিস ফজনা শান্নবা মীওইনি। মাগী খুৎশান্নসিসু য়াম্না ফজৈ। অদুনা শান্নমীন্নবসিদা মঙোন্দগীসু ঐহাক তম্বা য়াবা তমজরকখি। সিগী মতুংদা, সয়াং পুখ্রি মপালদা লৈবা ফুটবোলগী অফাওবা প্লেয়র কেসোগী ময়ুমদা থাবা টি টি বোর্দসিদসু ঐহাক শান্নজরকখি। পিশুম চিংঙামথক্তা লৈবা খুমন্থেম জয় মখোয়গী মরক্তসু ঐহাক শান্নরকখি। অদুগা শান্নমীন্নবদা ঐহাক্না পাক থোইবা ঙমদবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা হৈরাঙ্গোইথোংগী ঐখোয়গী ক্লব অমত্তদা শান্নমীন্নবা ইন্দ্রজিৎ অসিসু অমনি। করিগুম্বা থোইরবসু ৱানা থোই। টি টি বোর্দসি খা-ইম্ফালগী কৈশাম লৈকাইদসু অমা লৈরম্মী। মদুদসু ঐহাক শান্নরকখি। অদুগা কঞ্চিপুরদা য়ুনিভর্সিটি ইহান হান্না হাঙদোরকপা মতম, জ ৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি কৌরিবঁগে মতমদুদা কাঞ্চিপুরসিদসু টি টি বোর্দ অমা লৈরম্মী। মদুদসু ঐখোয় শান্নজরকখি। ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুঙগী প্রিভিলিয়ন লৈরম্বদুদসু টি টি বোর্দ অমা খিল্লম্মী। তা শামুহোয়, য়াম্বুং লদুহোয়গী মতুং ইন্নদুনা মদুদসু মতম খরা শান্নজবা ফংজরকখি। ৱাংখৈগী পেরেদাইজ ক্লবতসু ঐহাক শান্নজরকখি।

টি টি বোর্দ খিনবা অসিসু ক্লবতা খিনবসিদিঙাইহাকঙাইনরগা অদুমক শান্নবা য়াই। অদুবু য়ুমগী মমাং শঙ্গোই নত্রগা অৱাং শঙ্গোইগুম্বদা খিনবা অসিদি করিগুম্বদা প্রোব্লেম লৈবসু য়াওই। মহৌশানা শঙ্গোই হায়বসিদি ফৌশুখোংগসু পুনবনিনা ফৌ শুবা লোইবা ঙাইরগা শান্নবসু য়াওরকখি।



পুন্সিদা কাউদবা হৌজিক ফাওবা নিংশিংলিবা ৱাফম অমদি, ঐঙোন দা টি টি ইহান হান্না তম্বীরকখিবা তা ভৈরোতকী ময়ুমদা থাবা টি টি বোর্দসিদি ফৌশুখোংগা পুল্লি। অদুনা তা ভৈরোতকী মচলশিং, ইচে মেমচা, ইচে বেদবতি (খুনুং ঈশৈ শকপী) হোয়না ফৌ শুবা লোইরগা শান্নবদু ঐখোয় ঙাইবদা ৱাখি। থুনা লোইশিন্নবা হায়দুনা ঐখোয়সু ফৌ শুবসি অদুম য়াওরকখি। শান্নবা লাক্লিবা ঐখোয় পুম্নমকসি ইচেশিং অসিনসু য়াম্না লুনা তৌবীরকখি।



মতমদু নীংশিংলুবদা নুংশি। ঐখোয়না অদুম্না মতেং পাঙবীবদু ইচেশিংদুনা য়াম্না হরাওখি, ঙসি ফাওবা কাউদ্রি।

অদুগা, শান্নরোয় ওইনা হৌজরকখিবা ঐখোয়গী থেম্লখি। অদুবু ঐহাক অদুম চৎখিদ্রে। মেত্রিক থাগদবা চহীসু ওইবনিনা, য়ুমগী মীশিংনদি হরাওখি। য়ুমগী বাবা, ইমানসু নচিন-ননাও ময়ামসিগী মনুংদা নংখক্তনি লাইরিক্তা থওইদ্রিবসি

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা

পুকচেলসিদি ইতিং তিংই। লৌথুপ লৌকোইসু অমত্তা লৈরক্তে। মসিমদি তাইবঙমপুনা পীবিরবা মমল নাইদ্রবা খুদোলনি হায়না ইশানসু লৌজে। লেপ্তুনা চহী খরা শান্নজরকখিবা অদুদা, অপেন-পেন্দ, নুংঙাইখিদবা থৌদোক ৱাথোকসু অদুম থেংনজরকখি। দি এম কোলেজদা (১৯৭৫ ওইগদ্রা খল্লি) তৌখিবা ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ্তা অয়ুক্তা মৈ লাক্তবদগী নুংথিলদা শান্নবা তাখি। মদুদা, প্লেয়র শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবগী জুরি ওইরিবা কাংবুগা মরৈ খরা তৌনখি। মতমদুদা ঐনা হায়জ খিবদি শান্নবগী অচুম্বা রুল তৌবীয়ু অসিনি। মদুদা জুরি কাংবুদগী নহাক মরৈ য়াম্না য়েৎলক্কনু শান্নবা ফজরবসু নেসনল শান্নবা খল্লোই হায়দুনা ঐবু লানবা তাহনখি। মদুমদি ঙসি ফাওবা ঐহাক নুংঙাইতে। তৌবসু মদুগী চহীদু ঐহাক নেসনল শান্নবা চৎখিদে। ওজা এম কেনসু লাক্লগা মেত্রিক পাস তৌনবা কন্না অমুক হোৎনরো হায়দুনা থেমখি। ঐসু ফরে খল্লগা লাইরিক লাইশুদা খিত্তং মায় ওনশিন্দুনা মেত্রিক পাস তৌনবা হোৎনখি। চহীদুদা মেত্রিক পাসসু তৌজখি। অসুম্না হায়স্কুল লাইফ লোইশিল্লবা মতুংদা মণিপুর কোলেজদা মিং চন্দুনা কোলেজগী পুন্সিদা অমুক চঙশিল্লকখি।

কুমজা ১৯৭৬তা কোলেজ করবা মতুংদদি মহৈরোইগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা মাঙজিন থানা য়াওবা হৌরকখি। কোলেজদা মিং চনবা মতমদা অফবা শান্নরোয়শিং নেসনল প্লেয়রশিংগীদি অখন্নবা থৌরাং তৌগদবনি হায়বনচিংবসি এদুকেসন ওফিসতা চৎতুনা ঙাংনরকখি। মদুদসু নত্তনা মণিপুর কোলেজগী ওইনা সাইন্স মহৈরোইশিংগী সিট মশিং হেনগৎহন্নবসু হোৎনরকখি।

-মথং-মথং-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেত্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## য়ু এস এনা অনৌবা ৱর্ল্ড কপকী রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়নননা প্রি ক্বার্টর লাইন অপ লোইখ্রে




পেরিস, জুন ২১ (এজেন্সী)ঃ

ফ্রান্সনায়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮লক শুবা এদিসনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ'কী মেচতা য়ু এস এনা স্বিদেনবু ২-০দা থোইদুনা ৱর্ল্ড কপ অমদা পুন্না পাঞ্জল ১৮ চন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়নননা ৱর্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ ষ্টেজ লোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট রাউন্দগী টিমশিং মশক খঙবা লোইখ্রে।

য়ু এস এনা গ্রুপ 'এফ'তা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ অহুম্মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মকোক ওইখি। মখোয়না গ্রুপ ষ্টেজ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ১৮ চন্দুনা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা নুপা অমসুং নুপীগী অপুনবা ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা ওইরিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চিলিনা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। থাইলেন্দগী মায়োক্তা য়ু এস এনা মমাঙগী গ্রুপ মেচ অমদা পাঞ্জল ১৩-০দা থোইখি। অদুগা চিলিবু ৩-০দা থোইরম্বনি। গ্রুপ অসিদগী স্বিদেন য়ু এস এগী মখুৎতা মায়থীরবসু পোইন্ট ৬ ফংবদগী মখোয়সু প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

য়ু এস এনা স্বিদেনবু মায়থীবা পীখিবা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩ শুবা মিনটতা চনখি। সমান্তা মেৱিসনা খাইরকপা বোল অমা লিনসে হোরাননা চনখিবনি। অহানবা হাফকী মখা তারকপা লম্বদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ৫০ শুবা মিনটতা য়ু এস এগী এটেক অমদা বোল ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা স্বিদেনগী জোনা এন্দরসননা শোইবদগী কাউশিঞ্জখিবা বোল অমনা য়ু এস এগী পাঞ্জল ওইহনখি। য়ু এস এগী টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ ষ্টেজ লোইশিল্লকপদা মায়োক্লবা লম্বশিংনা মখোয়দা পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমখিদে।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচতা চিলিনা থাইলেন্দবু ২-০দা থোইখি। চিলিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা এটেক ফনা চখুরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং ৪৮ শুবা মিনটতা চিলিগী এটেক অমদা থাইলেন্দগী ৱারাপোন বুনসিংনা শোইবদগী পাঞ্জল অমা চিলিদা পীখি। মেচকী ৮০ শুবা মিনটতা চিলিগী য়েসেনিয়া লোপেসনা পীরকপা বোল অমা মারিয়া উরুতিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা থোইখি।



# INDIAN NAVY – AN OCEAN OF OPPORTUNITIES
## UNIVERSITY ENTRY SCHEME – JUN 2020



**ONLINE REGISTRATION OPEN FROM 07 JUN 19 TO 27 JUN 19**

| Entry | Age | Gender | Type of commission |
|---|---|---|---|
| University Entry Scheme (UES) | Born between 02 Jul 1996 to 01 Jul 1999; both dates inclusive | Men | Short Service Commission |

Scan this QR Code to apply online

Note:
1. Applicant should be in the final year (regular BE/B.Tech or Integrated degree course) in an AICTE recognized university.
2. Identity proof is mandatory for online registration.
3. For educational qualifications and other details please visit our website www.joinindiannavy.gov.in. and Employment News dated 08 Jun 19.

davp/10701/11/0011/1920